# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমসুং ওরিষা এফ সি পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চংখিবদগী পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে

**23 Dec, Wednesday (38th Match)**
Jamshedpur FC
vs
FC Goa
Time : 7:30 PM



ওরিষা এফ সিগী শান্নরোয় অনীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা বোল পুশিনমিন্নখিবা

বাম্বোলিম, দিসেম্বর২২(এজেন্সী): ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৩৭শুবা মেটচতা ঙসি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমসুং ওরিষা এফ সি পাঞ্জল ২-২দা চন্নরগা দ্রো চংখিবদগী টিম অনীম্মক পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

ঙসি বাম্বোলিম সিটিদা লৈবা জি এম সি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ২০ ফাওবদি টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। অদুবু ২৩ শুবা মিনটতা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা ওরিষা এফসিগী মায়কৈদগী দিএগো মোরিসিওনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু টিমমেট হেন্দ্রি এন্টোনেনা পীরকপা বোল অমদা চনবা ঙমখিবনি।

পাঞ্জল অমা শোখরবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎলকপা ঙমখিবদগী শান্নবগী অহানবা হাফ লোয়গদবা মতম লৈরক্ত্রবদা অসুটোস মেহটানা পীরকপা বোল অমদা বেঞ্জামিন লামবোটনা ইক্বেলাইজর অদু ৪৫শুবা মিনটতা চন্দুনা অহানবা হাফ অদু টিম অনীম্মক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

নীংশিংবা য়াই, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৭তা পোইন্ট ১০ ফংলগা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। অমরোমদা ওরিষা এফ সি মেটচ ৬ শান্নবদা পোইন্ট অমখক ফংলগা টিম ১১গী টুর্নামেন্ট অসিদা অরোইবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখিবা মিনট ২০লোম অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদে। অদুবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমা ওরিষা এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা ফাউল তৌরুবদগী পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু ক্বেসি অপীয়ানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা মখোয়না ওরিষা এফ সিবু হেন্দুনা লৈখি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈ ওরিষা এফ সিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা জেরি মাউ মিংথাঙ্গানা পীরকখিবা বোল অমদা কোল অলেকজেন্দরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা হেল্লন্বা অদু পাঞ্জল ২-২দা মান্নহন্দুনা দ্রো চংখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 7 | 5 | 1 | 1 | 11 | 3 | 8 | 16 |
| 2 | ATK Mohun Bagan | 7 | 5 | 1 | 1 | 8 | 3 | 5 | 16 |
| 3 | Bengaluru FC | 7 | 3 | 3 | 1 | 11 | 8 | 3 | 12 |
| 4 | Northeast United FC | 8 | 2 | 5 | 1 | 10 | 8 | 2 | 11 |
| 5 | Jamshedpur | 7 | 2 | 4 | 1 | 8 | 7 | 1 | 10 |
| 6 | Hyderabad FC | 6 | 2 | 3 | 1 | 6 | 6 | 0 | 9 |
| 7 | FC Goa | 7 | 2 | 2 | 3 | 8 | 8 | 0 | 8 |
| 8 | Chennaiyin FC | 6 | 2 | 2 | 2 | 5 | 5 | 0 | 8 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 6 | 0 | 3 | 3 | 6 | 11 | -5 | 3 |
| 10 | Odisha FC | 7 | 0 | 2 | 5 | 5 | 11 | -6 | 2 |
| 11 | East Bengal Club | 6 | 0 | 2 | 4 | 3 | 11 | -8 | 2 |

# চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলনা ইন্দিয়াদা নুপীগী ফুটবোলদা চাওনা অহোংবা লৈরগনি: বালা



পাঞ্জল চনখিবদা টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকখিবী বালা (ফাইল ফোটো)

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০২২দা নপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপীগী ফুটবোলগী ৱাখল্লোন অসিদা চাওনা অহোংবা লৈরগনি হায়না মমিং লৈরবা নুপীগী ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় ঙাঙোম বালানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বালাগা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এআইএফএফ) টিভিগা ৱারীশান্নবা অমদা ফোঙদোকখিবানি। মহাক্না মখাতারদুনা মমাংদা ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীমচাশিংনা মপুং ফানা ফুটবোল শান্নবা অসি য়াম্না তাঙনা উখি। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচানুপীশিংবু মশান্না অসিদা খোঙদাহন্নিংবগী ৱাখল অদু য়াম্না নেমখি। অদুবু ইনিদয়ানা চহী ১৭ মখাগী ওইবা মালেমগী খ্বায়দগী থাকৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু ওইরকপা অসিনা মমা-মপাদা নত্তনা নহা ওইরিবী শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা অহোংবা অমা পুরকপা ঙল্লগনি হায়খি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবা অদুনা মালেমদা ইন্দিয়াগী ফুটবোলবু ময়েকশেংনা মফম অমা কন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগদৌরিবনি। কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা মায়পাক্না নুপাগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইখিবা অদুনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা নহা শান্নরোয়শিং হৌজিক ইন্দিয়াগী সেনিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নবা ঙল্লিবনি।

হৌজিক হৌজিক স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবা অমা ওইরিবা রেঞ্জর্স এফসিদা শরুকয়াদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা পুৱারী শেমদুনা অহানবা ইন্টরনেসনল পাঞ্জলসু চনবা ঙমখ্রবী বালানা মহাক্না নৌরিঙৈদা থেংনরকখিবা লম্বেলখর ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, নুপামচাশিংগা পুন্না ফুটবোল শান্নরকখি। মদুদা অয়েৎপা কয়া পীরকপা য়াওখি। অদুবু মহাক্কী অপোকপা মমাংদা ফুটবোল শান্নরোয় অমসু ওইরমখিবা মহাক্না পুং ২৪ ফুটবোলগী ৱাখল খন্দুনা লৈগদবনি লোয়ননা তুম্বা ফাওবা বোল অমা নাক্তা থল্লগা তুমগদবনি হায়খিবা অদু নৌহৌননা নীংশিংল্লকখি হায়না এআইএফএফ টিভিদা ফোঙদোকখি।

মসিগা মরী লৈননা মহাক্না মমা-মপা ওইবাশিংদা মচানুপীশিংনা ফুটবোল মশান্না অসি শান্নবা পাল্লবদি পুক্নিং থৌগৎপগী চাং অদু য়াম্না হেনগৎপীদুনা মখোয়গী পন্থুং অদু য়ৌবদা মতেং পীগদবনি হায়খি।

বালানা মখাতাখিবদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেল অমসুং য়ূঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগী মায়কৈদগী হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ওইবা পোরম কয়া য়াৎপীবগীদমক য়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মরু ওইনা পটেলনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল চাওখৎনবগীদমক লৌরিবা থৌদাং অসি মমল য়াম্না য়াম্মি। প্রসিদেন্টনা মমাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা হৌজিক ট্রেনিং চথুরিবা কোর গ্রুপকী মরক্তগী ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০২২দা লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুকয়াবা ঙমগদবা শান্নরোয় কয়া য়াওরি। মখোয়না স্বিদেন অমদি থাইলেন্দগুম্বা টিমগা লম্বা তৌনখিবা মেটচশিং অদুদা করিশু নোপখিদে হায়খি।

মখোয়গী মরক্তগী সেনিয়র টিমদা শরুক য়াবা ঙম্বগী পোটেনশিয়ল লৈবা শান্নরোয় কয়া অমসু য়াওরি হায়না ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনল ফুটবোলষ্টার ওইরিবী ঙাঙোম বালানা এআইএফএফ টিভিগা ৱারী শান্নবা অদুনা ফোঙদোকখি।

# কিরেন রিজিজুনা হোক্কি শান্নরোয় থোইবা উন্নখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ন্যু দেল্লিদা মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কিগী মমিং লৈরবা ওলিম্পিয়ন ক্ষেট্রিমযুম থোইবগা উন্নখ্রে।

ক্ষেট্রিমযুম থোইবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা কুমজা ১৯৮৮ সিওল ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াখিবতা নত্তনা কুমজা ১৯৮৬ সিওল এসিয়ন গেমসতসু ইন্দিয়াগী মীহুৎশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি। ৱর্ল্ড হোক্কি চেম্পিয়নশিপ্তসু শরুক য়াবা ঙল্লম্লবা থোইবগা উন্নবা অদু য়াম্না লাইবক ফবনি হায়না কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর রিজিজুনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা ক্ষেট্রিমযুম থোইবা ইন্দিয়াগী হোক্কি শান্নরোয়শিংগী মনুংদা লেফ্ট ৱিংদা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবা শান্নরোয় অমনি। মহাক্কী মায়কৈদগী বোল পুদুনা চেনবা লমজেলনা য়াম্না য়াঙবগী রেকোর্দ লৈরিবনি। মণিপুর হোক্কি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরমখি। উন্নবা অদুদা মণিপুরগী পব্লিক ৱার্কস এন্দ রুরল দিভলপমেন্টকী মিনিষ্টর বিশ্বজিৎসু য়াওখি।

# তুংদা লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোলবু অহেনবা থাক্তা পুরকপা ঙম্নবা য়াম্না অকনবা মীৎয়েং থল্লি :অশালতা




ইন্দিয়াগী নপীগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন লোইতোংবম অশালতা

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন কপকী য়ুম্বু ওইননবা ওফিসল বিদ লাওথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল কেপ্টেন মণিপুর মচা লোইতোংবম অশালতানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী তুংদা লাক্কদৌরিবা ফুটবোলবু অহেনবা থাক্তা পুরকপা ঙম্নবা য়াম্না অকনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ১৬তা ইনিদয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেল য়াওনা মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় ওইরম্বা মণিপুর মচা গৌরমঙ্গি অমদি চহী ১৬ মখাগী নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা সুভো পোল য়াওনা পাঙথোকখিবা এ এফ সি এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৭কী ওফিসল বিদ অদুদা শরুক য়াখিবী লোইতোংবম অশালতানা ফোঙদোকখিবদা থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী জেনরেসন অহুমগী শান্নরোয়শিং শরুক য়াখিবা অদুদা নুপীগী ফুটবোলগী কেপ্টেন অমবু শরুক য়াহল্লকপা অসি লৈবাক অসিগী ফুটবোল ফেদরেসন্না নুপীগী ফুটবোলদা অকনবা মীৎয়েং চঙশিল্লক্লিবগী অচৌবা খুদম অমা পীরি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। মমাংদদি ইনিদয়াগী মীপুম অয়াম্বনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল কেপ্টেন কনানা ওইরিবগে হায়বদু খঙলমদবনি। অদুবু মহাকপু এসিয়ন গেমসকী বিদ তৌবগী থৌরম অদুদা মহাকপু শরুক য়াহল্লকখিবা অদু মহাকমশাগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগীসু য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা লৈবাকশিংনা অসিগুম্বা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমগী য়ুম্বু ওইননবা ওফিসল বিদ লাওথোকপদা নুপীগী ফুটবোল কেপ্টেন অমত্তা ইনভাইট তৌরম্লোই হায়না খল্লি। মসিগীদমক্তা মহাক্না য়াম্না চাওথোকচবা ফাওই হায়খি।

পনবা য়াবদি, অশালতানা কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ন ৱুমেন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মহাক মশামক শরুক য়াগদৌরিবনি। মদুদা মহাক্না মরমদমগী ভাবকশিংগী মাঙদা শান্নবা ঙমগদৌরিবনি।

মহাক্না মখাতাখিবদা মশান্না অসিদা খোঙদারকপা অসি মহাক্কী ওইনদি মশাগী চহী ১২/১৩দগীনি অদুবু হৌজিক লৈরিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমা মশাগী চহী ৭/৮দগী হৌরকপা মরম্না চহী ৪/৫গী কান্নবা হেন্না ফংদুনা তুংগীদমক অফবা ওইরগনি হায়খি। লোয়ননা কুমজা ২০২৭কী এসিয়ন কপ ফুটবোলগী য়ুম্বু ওইবা অদুসু মায়পাকপা ঙমবগী থাজবা থমখি।

# আই পি এল টি-২০ টুর্নামেন্ট ২০২১দা প্রে ওফ লৈরগনি




মুম্বাই, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী): মালেমগী ওইনা টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদবা ইদিসন অদুনা টিম ৮না অদুম্মক শরুক য়ারবসু প্লে ওপ লৈরগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না ফোঙদোকখ্রে।

মমাংগী চহীদা টিম অনী অনৌবা হাপচিন্দুনা শান্ননবা খন্নবা লৈখ্রবসু মথং চহীগী টুর্নামেন্টতা হন্দক চহীদা পাঙথোকখিবা অদুগুম্না টিম ৮না শরুক য়ারগা অনৌবা ফোর্মেট ওইনা প্লে ওফকী ষ্টেজ অমা হাপচিনগদৌরি।

হান্নগী ফোর্মেট ওইনা টিম ৮গী মনুংদা মকোক থোংবা টিমশিংগী মরক্তা ক্বালিফাইং অমসুং ইলিমিনেটর মেটচশিং শান্নরম্বা অদু হোংদোক্তুনা প্লে ওপ মেটচশিং শান্নবা শিল্লিবনি।

# ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী অরোয়বা ক্বালিফাইং ওইগদৌরি

কুঅলালুম্পুর, দিসেম্বর২২(এজেন্সী): বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন(বি দব্লিউ এফ)না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা বেদমিন্টন মশান্নগী অরোইবা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অদু চহী অদুগী মে থাদা ইনিদয়াগী ন্যু দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া ওপন টুর্নামেন্টনা অরোয়বা ওইরগনি হায়খ্রে।

বি দব্লিউ এফনা ঙসি ফোঙদোকখিবা অনৌবা কেলেন্দর অদুদা কুমজা ২০২১গী অহানবা শরুক্কী কেলেন্দর অদু লাওথোকখিবনি। কেলেন্দর অদুগী মনুংদা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট ওইগদবা টুর্নামেন্ট ১৭ য়াওরি। অনৌবা কেলেন্দর অদুদা কুমজা ২০২০গী অহানবা অমসুং অনীশুবা ক্বার্টরদা য়ৈথোকখিবা টুর্নামেন্ট কয়া অমগা লোয়ননা গ্রেদ টুগী য়ৈথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংসু য়াওখি।

সিজন অসি জন্যুৱারী ১৭তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপননা হৌগদৌরি। অদুগা সিজন লোয়শিনবগী টুর্নামেন্ট অদুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৫দা পাঙথোক্কদবা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টনা ওইগদৌরি। মরক অসিদা টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টশিং অদুনা কুমজা ২০২১গা মার্চ ২দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা স্বিজ ওপন টুর্নামেন্টনা হৌরগা মে ১১দগী ১৬ ফাওবা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়া ওপন টুর্নামেন্ট অদুনা অরোয়বা ওইগদৌরি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইগদবা শান্নরোয়শিং অদুগী অরোয়বা লিষ্ট অদু ইন্দিয়া ওপন টুর্নামেন্ট অসি লোইবগা মে ১৮দা লাওথোক্কদৌরিবনি। লিষ্ট অদুদা থোরকপা শান্নরোয়শিংগী পরিং অদুনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী সিদিংসু ওইগনি হায়রি।

বি দব্লিউ এফকী সেক্রেটরি জেনরেল থোমাস লুন্দনা ফোঙদোকখিবদা ফেদরেসন অসিনা পীরিবা অককনবা মতম অসি হৌজিক মালেমনা মায়োক্ননরিবা কোভিদ-১৯গী লায়চৎ অসি য়েংলগা অহেনবা মতম শিজিন্নদুনা লেপখিবা মতমনি হায়রি।

মরক অসিদা কুমজা ২০২০গী ওইনা য়ৈথোকখিবা থোমাস অমসুং অবর কপকী টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২১গী ওক্টোবর থাদা দেনমার্ক্কী সিটি অরহসতা পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট পুম্নমক্কী ওইনা শেলগী মনাসু হন্থগনি হায়রি।

# জোকোবিচ, নদাল অমসুং ফেদরর এটিপি এৱার্দস ফংখ্রে



ওইদগী নোভাক জোকোবিচ, রাফেল নদাল অমসুং রোজর ফেদরর

লন্দন, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী): কুমজা ২০২০গী ওইনা এসোসিএসন ওফ টেন্নিস প্রোফেসনলগী মায়কৈদগী লাওথোকখিবা মনা ফংবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মালেমগী নুপাগী টেন্নিসকী লমদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অহুম সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ, স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং স্বিটজর্লেন্দগী রোজর ফেদররগী মমিং য়াওখ্রে।

চৎলিবা চহী ২০২০ লোয়শিল্লকপা ফাওবদবা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয়শিংগী ওইনা নম্বর ৱান শান্নরোয়গী থাক্তা লৈরগদবা নোভাক জোকোবিচনা নম্বর ৱান ওইবগী মনা অদু ফংখি।

অমরোমদা নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন মেট পাবিস অমসুং ব্রুনো সাওরেজ য়াওখি। অদুগা চহী অসিদা শুপ্নগী সিঙ্গল মেটচ ৬খক শান্নখিবা রোজর ফেদররনা ফেনস এৱার্দ অদু ফংখি। অদুগা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদালনা ষ্টেফন এদবর্গ স্পোর্টসমেনসিপ এৱার্দ অদু মহাক্না ১৩রকশুবা ফ্রেঞ্চ ওপন টাইটল লৌখিবগীদমক ফংখি।

# চেলসিনা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা প্রেমিয়র লীগকী ৫শুবদা লৈখ্রে



চেলসিগী সিলভানা হেদ তৌশিন্দুনা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা

লন্দন, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চেলসিনা ৱেষ্ট হেমবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

চেলসিগী মায়কৈদগী মেটচকী অঙনবা শরুক্তা চথুখিবা এটেক অমদা মেসন মাউন্টনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় থিয়াগো সিলভানা য়াম্না ফজবা মওংদা হেদ তৌশিন্দুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদ চথুরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নমেন্ট অসিগী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ১৩দা পোইন্ট ২১ ফংলগা ১০শুবা পোজিসন্দা লৈরমখিবনি। অমরোমদা চেলসি ফুটবোল ক্লবনা মখোয়গী মেটচ ১৩ শান্নবদা পোইন্ট ২২ ফংলগা ৮শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা চেলসিনা পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখিবা অদু ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখি। অদুবু মখোয়না পুশিনখিবা এটেকশিং অদু চেলসিগী শান্নরোয়শিংনা য়ামনা চেকশিন্না শান্নদুনা গোল স্কোর তৌহনখিদে। মেটচকী মখাতারকপা চেলসিনা ফংখিবা খুদোংচাবা অমদা টিমো ৱর্নরনা পীরকপা বোল অমদা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিমমেট টামি অব্রাহমনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু মখোয়না মখাতানা পাঞ্জল ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা চেলসিগী এটেক অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টামি অব্রাহমনা ৮০শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৩-০দা মায়পাকপা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা এষ্টন ভিল্লানা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিয়োনবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা টিম অদু ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অসিগী ৯শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা বিটেক ইন্টরনেসনল লেভেল থ্রী স্পোর্টস ক্বালিফিকেসনদা মতেং পাংগদৌরি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী): ওলইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা এদ্যুকেসন কম্পেনি পিয়রসনগা খুৎশম্নদুনা বিটেক ইন্টরনেসনল লেভেল থ্রী ক্বালিফিকেসনগী খূদোংচাবা পীদুনা মহৈরোয়শিংদা স্পোর্টসকী লম্‌দা খূদোংচাবা পীননবা হোৎনরি।

ক্বালিফিকেসনগী ওইনা লৈরিবা খূদোংচাবশিং অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা রিকগ্নাইজ তৌরবা লৈঙাকশিং, ইন্দষ্ট্রিশিং অমদি অৱাংবা থাক্কী এদ্যুকেসনগী ইন্সটিট্যুটশিংনা শকখঙলবা খোঙথাং অমনি। এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী ওইনা লৈরক্লিবা স্পোর্টস এদ্যুকেসন অমদি ভোকেসনেল এদ্যুকেসন ট্রেনিংগা ইরোয়ননা পায়খৎলক্লিবা মশীং য়াল্লবা ষ্ট্রিমশিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খূৎশম্নবা অসি লাকপনি।

স্পোর্টস সাইকোলোজি, স্পোর্টস জর্নেলিজম, স্পোর্টস ন্যুট্রিসন, স্পোর্টস দিভলপমেন্ট, স্পোর্টস ফেসিলিটি, স্পোর্টস পর্ফোর্মেন্স এনালাইসিস, স্পোর্টস ওপরেসন অমদি অতোপ্পা হীরম কয়াদা য়ানবা পুরক্লিবা অসিনা মহৈরোয়শিংদা অহেনবা কান্নবা পীরগনি হায়না এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা মখা তাখি।

চৎনরিবা পিয়রসননা শেমখিবা করিকলম অসি ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব লিভরপুল এফ সীগা খূৎশম্নরগা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী ওইবা হীরমশিংদা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংনি।

এ আই এফ এফনা পায়খৎলিবা লেভেল থ্রী ক্বালিফিকেসন অসিদা লৈগদৌরিবা ইলিজিবিলিটিশিং অদুদি মশাগী চহী ১৬ নৎত্রগা ১৬তগী হেনবশিংদা অহেনবা খূদোংচাবা পীরগা শান্নবা অমদি অতোপ্পা স্কিলশিং য়াওনা কান্নহনগদৌরি।



HL-B/6504/15-24/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com